ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ১০, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৯৪শুবা মশীং


## দ্রাফ্ট : থওইদবদি মান্দে

### খরগা হেন্না চেকশিনহন্নীংই

সেপ্টেম্বর ২০, ২০২২দা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না মণিপুরদা য়ুঙৌ শুংবা অমসুং য়ুঙাং য়োনবদা থম্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লবা ব্রারেপ লৌখ্রে। ব্রারেপসি বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা অনীশুবা লৈঙাক্না লৌখিবনি। লৈঙাকসিগী অহানবা টর্মদসু অথিংবসি লৌথোক্লবা হোৎনখি। এটেমপ্ট তৌরমখি। অদুবু তৌখিদ্রবনিনা ঙমখিদবনি হায়দুনা লৌবা তারে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্না অহানবা ওইনা মার্চ ১৫, ২০১৭তা লিংলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা চহী ৫/৫গী ফুল টর্ম অহুন্নক লৈঙাক পায়রমখিবা কোংগ্রেসকী মতমদসু এসেমব্লিদা ফাওবা পুথোক্তুনা এটেমপ্ট তৌরমখিবনি। অদুবু চহী কয়াগী মমাঙদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ুঙৌ অমসুং য়ুঙাংগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্লকখিবা নুপীশিং অমসুং লূপশিংগী ব্রাংলবা য়ানীংদবগী পল লান্না চোঙবা ঙমখিদবনি। য়ুঙৌ শুংবা অমসুং য়ুঙাং য়োনবদা থম্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকপা ঙমখিদবনি। হোৎনজখিবা অপূম্বা অরেম্বদা তাখিবনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা অনীশুবা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখিবদগীদি মায়োক্লনা লৈরকখিবা অমসুং লৈরক্কদবা ময়ামদুগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা অথিংবা লৌথোকখ্রে। য়ুঙৌ শুংবদা অমসুং য়ুঙাং য়োনবদা অয়াবা পীখ্রিবসি অফবা থবকনি, য়াম্না ফরে হায়বা নত্তে। অদুগা ফত্তবা, তৌরোইদবা অরানবা থবকনি হায়বসু নত্তে। ব্রারেপসিগী মতাংদা হৌজিক থোরক্লিবা ব্রাফমশিং অসিগী লৈখাই তাবা ব্রারোইশিন অমদি পুরক্তবা য়াখিরোই। শোয়দনা পুরকখিনি। পুরক্কদৌরিবা ব্রারোইশিন অদুনা অঙৌবা ওইবা নৎত্রগা অমুবা ওইবদুনা পুরক্কদৌরিবা কাঙবুশিংগী মখা পোনগনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্না তৌগে খনবদুমদি তৌখ্রে। অফবা নৎত্রগা ফত্তবা হায়বদুনা অমনি, তৌগে নীংলকপদা তৌবা ঙম্বগী স্পিরিটতুদি মমল য়াম্মী।

তৌখিবা থবক্তু মণিপুরগী মীয়াম্না মরু ওইনা নুপীশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী থৌনা ফনা চঙশিল্লকখিবদগী এসেমব্লিদা বিল ওইনা পুথোক্তুনা খন্নরগা পাস তৌদুনা এক্ট ওন্দুনা চৎনখ্রবা মণিপুর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১গী মায়োক্তনি। ব্রারেপ্তু লৌখ্রে হায়দুনা অদুঙৈ বেঙ্কোক দিক্লারেসনদা 'ব্রিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট' হাপচিল্লকখিবদগী মণিপুর উৎ ওনখিবা, ঈঙাং পাক্তক্লখিবা, ঈমু পামফেন্নখিবা, মীওই ১৮গী পুন্সি মাঙখিবা থৌদোক্তুমক থোরকপদি নৎত্রি। থোরকফমসু থোক্তে, থোকসু থোরক্লোই। কাদা অমসুং নুপী সমাজনা ব্রারেপসিবু য়ানীংদবা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপনি। লৌখ্রিবা ব্রারেপসিগী মতাংদা 'হ্বাইট পেপর' অমা পুথোকউ হায়বনি। পুথোকউ হায়রিবসি পুথোরকমন্দবদগী ওক্টোবর ১০, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৌখ্রিবা ব্রারেপ্তু হন্দোক্ত্রবদি মথংগী নুমিৎতগী হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রকপনি। মসিদি মশানা তাবনি। ফংনীংনা তাল্লিবা দিমান্দদু ফংননবা অতোপ্পা হেন্না কনশিনবা পান্বেশিং থিরকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুবু তাল্লকসিদা চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতগী 'দ্রাফ্ট মণিপুর লিকর রেগ্যুলেসন পোলিসি' অমসুং 'দ্রাফ্ট জেনরেল পব্লিক ইনফোর্মেসন' হায়বা চেরোল অনীখক ওক্টোবর ৫, ২০২২গী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদা কাদা অমসুং নুপী সমাজগী প্রসিদেন্টশিংদা লাক্তুনা পীরখ্রে। হায়রিবা চেরোল অনীসিগী মতাংদা লূপ অনীসিগী মায়কৈদগী 'ফীদবেক' পীরকউ হায়রকখ্রে। থৌওংসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লূপ অনীসিনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা তাল্লক্লিবা দিমান্দসি মীরাইবা অমসুং থৌওইদবদি মান্দে। অদুবু খরগা হেন্না চেকশিনহন্নীংই হায়বগী ব্রানি। অসুক চাওবা, লৌদ্রবসু য়াদ্রবা, মায়কৈ ফাংনসু কান্নহনগদৌরিবনি হায়বা ব্রারেপ অমা লৌখ্রগা 'হ্বাহট পেপর' পুথোকউ হায়রগা লমায় অনী অমসুং অমখক পানবা পোলিসি অমসুং ইনফোর্মেসননি হায়দুনা পুথোরকপসিদি লম্বোইবদা শমচেৎ পীবা ওইনা থোক্লোইদ্রা? চাক্লিবা মৈদা ঈকং লংশিনবা ওইনা থোক্লোইদ্রা হায়বনি। খরগা হেন্না চেকশিনহন্নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **"লমজিংবা"** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **"হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো"** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ব্রাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।"** ব্রাহে পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৫) **"নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ব্রাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ব্রাহং পাউখুম

| পাউখুম পীবিরিবা ঃ |
| --- |
| ডা. এম থোইথোই সিংহ |

**Q.** চুরি হল্লগা পরেং ওইনা থাবা আলু খুথাদা মীওই খরনদি অতোঙবদা থাগদবনি হায়, খরনা অকুৎপা পরেংদুদা থাগদবনি হায়। লমদমসি ওজা য়ামন্দনা ঐখোয় ঙাওরে। হুইয়েন লানপাউগী দেক্সতগী মত অমতা পামজৈ।

**- সুর্জবোরো তখেল্লম্বম**

☞ ঈশিং ব্রাৎকদবা মফমদা চুরি/অকুৎপদা থাগনি; ঈশিং হেনগদবা মফমদা অতোঙবদা থাগনি। Potato Transplanter না থারগদি মশানা অতোঙবদা থারনি; লমজাওগী থবকনি। মণিপুরগীদি লেন্দ হোলদিং পীকই; ইন্টেন্সিভ ক্রেরগা লোয়নননা থারগদবনিনা অকুৎপদা থাগনি। থারবা মতুং নুমিৎ ৩০নি অমসুং নুমিৎ ৫৫নি শুবা মতমদা লৈবাক খোপচিনগনি। আলু পাম্বীশিং অতোংবদা থাবগুম উরনি।

এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি হায়বসি লোকেসন স্পেসিফিক ওই। মপান লমগী Potato Transplanter না থাবা অতোঙবদা হৌরিবা আলুশিং য়েংলুরগা মণিপুরগীসু অতোঙবদা থাগদবনি হেক্তা হায়বসি চানবা ব্রাৎকনি।

লমদমসিদা অতোঙবদা থাবগী খুদোংচাদবা অমনা পোটেটো ট্যুবর মোথ হায়না খঙনবা তীলদু তাগল্লি। আলু তুং কোইনা থম্বা য়াদে।

**Q.** আলু লৌখায়মুক থাগে হোৎনজরি। অদুবু আলু থাবা মতমদা মতোন থোক্লবা ময়োনশিং লৈবাক মখারোমদা ওন্থহন্দুনা থাবনা হেন্না ফৈ। আলু য়াম্না থোকই হায়বসি চুম্ব্রা?

**-নলিনি, কোংবা উচেক্কোন**

☞ থোইদোক্লা লুনা খনবীরুনু। ঐখোয়না থানরিবা পাম্বীগী মরূশিং মমিৎ নৎত্রগা Embriyo লৈরিবা মায়কৈদু মখা ওন্থহনগনি নৎত্রগা মথক ওন্থহনগনি হায়বা অমা লৈতে। মরূদুনা তারু-তারুবা মায়কৈগা চাননা পাম্বীনা হৌনবা হোৎনৈ, হৌজৈ। মহৌশাগী খূৎশেমনি।

মমিৎশিং মখারোমদা ওন্থহনগনি হায়বগী নুংগী ওইবা ব্রাফমদি আলু ময়োন্না মখাদগী লৈবাক মথক য়ৌনা ইনখৎনবা হোৎনরকপদা আলু মখোক্তু (ষ্টেম) শাংলনি; মতাং (নোদ) মশীং হেল্লনি। মতাং খুদিংদগী থোরকপা মতা (ষ্টোলোন) মশীং হেল্লনি, মতাগী মতোনশিংদা আলু তাগদবনিনা 'আলু হেন্না তারনি' হায়বসিদি চুমদে। ব্রাফমসি আলু থাবদা খরা হেন্না লুথনা থারবদি আলু হেন্না থোক্কনি হায়বগা মান্নে। কা হেন্না লুথনা থাবদা ময়োন্দু লৈবাক মথক লানখৎনবা হোৎনবদা মতাং অনীগী মরক (ইন্টরনোদ) ওইনা শাংলনি। মতাং মশীং হন্থগনি; আলু তাগদবা মতাং মশীংসু হন্থরনি। পোখোক হেনগৎনবা মরম লৈতে। মাগী লুগদবা (Optimum depth) সি ইঞ্চি মরিনি। খরা খজিক হেন্দোক হেনজিন্না অমনি। হৌরবা মতুং মতম মতমগী ওইনা লৈবাক খোপচিনগনি। মসিনা মতাং মশীং হেনগৎহনগনি, পোখোক ব্রাংগনি। থাফম থোকপদু থাবীয়ু। লৈবাক খোপচিনবদি কাউবীনু।

**Q.** ষ্ট্রো বেরি লিশীং মঙামুক থাজবনি অদুবু পাম্বী ১০০ মুক খুইথরক্লে। ফোটোসু থাজখিবনি। ঈশিংগী অশোয়বা লৈব্রা? করম্না ওইরকপা লায়নানো অমসুং করম্না ফহনগদগে হায়বীরকউ। ওর্গানিক ওইবা হীদাকতমক হায়বীরকউ।

**- ওক্রম রোমিও, থৌবাল নিংঙোম্বম**



☞ ষ্ট্রো বেরি পাম্বী ঈশিং হেক ব্রাৎপগা মখা তাবা মনাশিং য়াম্না থুনা কংলগা লৈবাক মথক্তা তাদুনা লৈগনি। ঈশিং য়াম্না হেল্লগনা মনাশিং চপতিংনা লৈরম্বদগী হিকথরকই। মখা তাবা মনাগী মচু ওল্লি, মচেৎ মচেৎ ওইনা লাংই। ফোটোসি ঈশিংগী অশোয়বদি ওইদ্রে।

ক্রাউন রোট মাল্লি, মনাদসু অমুবা য়াওবদা নত্তনা মনাগী মখোকসু মুশিল্লে। মনা, মখোক য়াওনা লৈবাক মথক্তা থাদরগা লৈরে। মসি Subwell *(Besillus substilis)* মিলিলিটর ৭৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনা অমসুং মনাগী মখোঙ চোৎনবা নুংথিলগী মতমদা কাপথোকসি।

ষ্ট্রো বেরিদা মখল কয়াগী কোকফাইনা থোকহনবা লায়নাশিং ওর্গানিক্কী হীদাকসিনা ইরায় লায়না লাকশিনবা ঙম্মী।

## মহৌশাগী লৌউদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবা অমসুং লায়না তীলনা ঙাকথোকপা

**- এস সুমঙ্গল -**

মহৌশাগী লৌউ/ওর্গানিক ফার্মিং/সষ্টেনেবল এগ্রিকলচর হায়বদি তুং কোইবা লৌউ হায়বসি লাকপা মতমদা খ্বাইদগী মরু ওইরক্লিবসি পাম্বীদা মচিঞ্জাক পীবগা লায়না তীলনা ঙাকথোকপা হায়বসিগা অনী অসি য়াম্নমক মরু ওইরকই। মরমদি খূৎশেমগী হার, কেমিকেলগী হু চেনবা হীদাকশিং শীজিন্নবা য়ারক্তবা, মখোয় শীজিন্নদনা পোখোক পুথোকপা হায়বসিদনি মীয়াম্না মসিবু ওইথোক্কদ্রা খন্নরক্লিবসি। মসিদা থমজনীংলিবসি, মসি ওইথোক্তুনা ইন্দিয়াগী অমদি মপান লৈবাক কয়াদা মায় পাক্না চঙশিন্নরবা মতমনি হায়বা অসিনি। কাঙলোনবু চুম্লগাদি মণিপুরদসু মায় পাক্লে হায়বসিনি। মথিবোং লাওবা পাম্বীশিং অমদি ফৌদফাওবা মফম মফমগী ওইনা মায় পাক্লে হায়বসিনি থমজনীংলিবা। হোই পাক শন্না লৌশিং তামিন্নদবদগী বফ্র জোন থম্বা য়াদদুনা থংনবদগী হু চেনশিল্লকপদুনা অতোপ্পা ব্রাফম অমনি। মতম শাংনা মতমগী লৌউ তৌদুনা লাক্লবা লৌফম অমদা ইহান হানবা ওইনা হেক হৌবগা ওর্গানিক ফার্মিং পায়খৎপা মতমদদি খূৎশেমগী হার খঙথা থাদোকপা হায়বসি চাথোক হন্থনবগী মচাক ওইবা য়াই, তপ্না তপ্না ওন্থোকপা তাই। লোয়নননা মফমদুদা লৈরম্লিবা হুশিং তপ্না তপ্না মাঙহনবা তাই। মতমগা ইরোয়নননা মফম অদু মহৌশাগী ওইবা পোখোক পুথোকপা ঙম্বা লৈহাও চেনবা মফম শোয়দনা ওইরকহনবা তাবনি। অমরোমদনা ইশাগী লৌফম নৎত্রগা ফার্মদগী পুথোকচবা পোৎলমখক্তনা লৌউ পোৎচং ওইনবা হোৎনবা তাবনি। নত্তদুনা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎচংশিংনা শেন্দোং ফংবা হায়বসি খরা ব্রানা থোক্কনি। হৌজিক্কী মতমদা তোঙান তোঙানবা য়ূমদা শেমজবা য়াবা লৈবাক লৈহাও কাহনবা পোৎলমশিং লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা পোৎলমশিং কয়া অমা ইরায় লায়না ফংবা মচাকশিংনা শেম শাবা য়ারে হায়বা তাই। তৌবতবু শা-ষণ মখল কয়া লোয়দুনা পুনশিন কাঙলোনগী লৌউ পায়খৎলবা মতমদতা হেন্না মায় পাক্কনি। ইশানা পুথোকচবা লৌউ পোৎচঙ খরা লৈহাও হেনগৎহনবা য়াবা লোয়নননা লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা থৌরাং খরা য়েংসি।

**লৈবাক লৈহাও কাহনবা :**

বাইও ষ্টিমুলেন্ট : হায়বসি মপাঙ্গল কনখৎহনবা, খাঙবা কলহনবা ঙম্বা হিংকুপ নৎত্রগা অতোপ্পা খূৎশেমগী কেমিকেল হার নত্তবা পোৎলমশিংসিনি। খুদম ওইনা হ্যুমিক এসিদ, ইন্দিয়াগী ওইবা পঞ্চগভ্যা, জিভমরুট, বিজমরুট হায়বনচিংবা ষম্থি অমদি ষণয়ুংনা মরু ওইনা শাবা অফবা হিংকুপশিং য়াম্না য়াওবা পোৎলমশিংনি হায়বা তাই। মখোয় শেম শাবগী মওংদি মতুং তারকপদা থমজগে।

বাইও ষ্টিম্যুলেন্ট শীজিন্নবনা লৈহাও কাহন্দুনা কান্নবা পীবা :

- চাথোক ব্রাংবা, পোৎ মখল য়াম্লগা শেঞ্জং হন্থবা
- লৈবাক লৈহাও হেনগৎপা
- লৈহাওগী কার্বোন হেনগৎপা
- পাম্বীগী ঈশিং চঙবা হন্থবা, নুংশিৎতগী ঈনিল হেন্না ফাজিনবা

**লৈবাক লৈহাও হেনগৎহন্নবা পাম্বে খরা :** লৌউ পোখোক থাবগী মওংনা লৌফম মশাদা বাইওমাস পুথোকপা, লৈমায় কুপ্পা পাম্বী থাদুনা অমদি মলচ তৌদুনা হকথেংননা নুংশা য়ৈহন্দবনা ঈনিল মাঙহন্দবগা লোয়নননা লৈহাও চেন্থদুনা মাঙবা থিংবা ঙমহনবগা লোয়নননা লৈবাক্তা য়াওরিবা ওর্গানিক মেট্টর কংদুনা কান্নবা পীবা হন্থহনবদগী ঙাকথোকই। মখল মখা য়াম্বা পাম্বীশিংগী থেন্না অমসুং লুনা চৎপা মরাশিংগা লোয়নননা বাইও ষ্টিম্যুলেন্টস - বীজামরুটম, জীভামরুটম (অনঙবা/মহি) লৈবাক্তা নৎত্রগা মনাদা চাইবনা লৈবাক্তা কান্নরবা হিংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহন্দুনা লৈহাও কাবা হেলহল্লি। লৈবাকপু খজিক্তং খোইবা নৎত্রগা শুকখোই খোইদবা হায়বসিসু লৈহাও মাঙদনবা থৌরম অমনি।

নোং চুবদা নৎত্রগা ঈশিং চনবদা চেন্থরিবা ঈচেলশিংবু ফাজিন্নবা নৎত্রগা ঈচেল হন্থনবা থাক্লৌ শেম্বা নৎত্রগা লৈবাক নৎত্রগা নূঙচাক্কী পল শেম্বীবা য়াই।

**লায়না তীলনা শেন্নবা :** মহৌশাগী লৌউদা, পাম্বীগী য়েক্লবশিংবু মশানা মহৌশাগী য়েক্লবনা (নেচরেল এনিমি) অমদি মহিকশিংনা ঙাকথোকচৈ। অকোয়বদা লৈরিবা মহৌশাগী য়েক্লবগীসু মথক্তা পাম্বীগী মশা ঙাকথোকচনবা পাম্বেনসু অচৌবা থৌদাং লৌজৈ।

মহৌশাগী লৌউদদি লায়না তীলনা তারকপা ঙাকথোক্লবা পাম্বেখক শীজিন্নবগী মওংনি হায়বা তাই। লৌউ মওং অসিদদি লায়না তীলনা তাবা হেঞ্জিল্লকপগী তাঞ্জা য়ৌরকপা মতমদতা পাম্বীশিংদগী শুংবা অমদি অতৈ নেচরেল ওইবা কন্ননবা পাম্বেশিং শীজিন্ননবা হোৎনবা তাই।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বেশিং মখাদা পীরি :**

- বিজামরুটনা সীদ ত্রিটমেন্ট তৌবা
- পঞ্চগভ্যা চাইবা (পাম্বীগী গ্রোথ প্রোমোটর অমসুং লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা) মসিনা পাম্বীনা লায়না ঙাকপা অমসুং তান্থোকপা ঙমহল্লি।
- কোয়শিন্না থানবা পাম্বী - খুদম ওইনা মোরোক থারিবা মফম্বু ইকোয় কোয়না চুজাক থাজিনবনা ব্রাহিকনচিংবা মহি চুপ্পা তীলশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি।
- লাং ওইবা পাম্বী - খুদম ওইনা কোবি মখলশিং থাবা লৌফমদা পরেং ১৫-১৬ খুদিংগী হঙ্গাম পরেং অমা হুনজিন্দুনা কোবিদা তাগদবা তীলশিং হঙ্গামদা তাহন্দুনা কোবিদগী থৈদোকপা য়াই।
- নাপু, অঙৌবা অমসুং হিগোককী নপ্পবা পমপ্লেটশিং থেৎতুনা তোঙান তোঙানবা মচুশিংসিবু পামজবা তীলশিং নপশিনহন্দুনা ফাবা য়াই।
- মঙালগী লাং - নুমিদাংদা মঙাল পামজবা তীলশিং ঈশিংদা তাহন্দুনা ফাদোকপা য়াই।
- ফেরোমোন লাং - পাম্বী মখল কয়াদা তাবা তীলশিংগী লাবা অমসুং অমোম নৎত্রগা অনীমক কৌশিন্দুনা ফাদোক্লবা হীদাক মখলশিং শীজিন্নবা মখলশিংনি।
- উচেক তোংনবা কায়দোংফম - মসি শেম্বীদুনা তীলশিংবু লায়না ফাদোক্লবা পাম্বে ওইহনবা য়াই।

মহৌশাগী অকোয়বদা লৈজবা নেচরেল এনিমিগী (মাঙহনবা তীলবু ফাদুনা চাবা ঙম্বা তীল) মথক্তা পাম্বীগী ঙাকথোকচনবা পাঙ্গল অতোপ্পা ঙাকথোক্লবা পাম্বেশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌই। পাক শন্না লায়না তীলনা শন্দোরকপদা চাং নাইনা জিভামরুট চাইবা অমসুং মলচিং তৌবনা কনবা ঙম্মী। মখল মখাগী পাম্বী য়াম্না থাবা অমসুং অকোয়বদা থাবা য়াবা পাম্বী থাবগা লোয়নননা পাম্বী মখলশিং য়ান্নদুনা থাবনা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা অমসুং কনবা ঙমহল্লি।

অতোপ্পা ঙাকথোক্লবা পাম্বেশিং খরগা মখাদা পীরি :

- অফবা মরূনা থাবা
- ঙাকথোকচবা ঙম্বা মখল থাবা
- থাবগী মতম শেমদোকপা - তীলশিং তারোইদবা মতম খন্দুনা থাবা
- পাম্বী মখল য়াম্না থাবা, বোর্দর ক্রোপ, পূন্না থামিন্নবা (ইন্টর ক্রোপ)
- লৈমায় কুপ্পবা পোৎলমদা তোয়না জিভামরুট চাইদুনা কান্নবা হিংকুপশিং মশীং হেনগৎহনবা (মসিনা লায়না শন্দোকপদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি)

থৌরাংশিং অসি নিংথিনা পায়খৎলবদি লৈহাও হেনগৎহন্দুনা, পাম্বী মশা ফহন্দুনা অমদি লায়না তীলনাশিংদগী ঙাকথোক্তুনা ওর্গানিক ফার্মিং মায় পাকহনবা ওইথোক্কনি হায়বগী চাউনা থাজবা লৈ। হায়রিবশিং অসি নত্তবা পাম্বীদগী শুংবা হীদাকশিং বেক্তেরিয়া অমদি কোকফাইনা শাবা বাইও পেষ্টিসাইদ কয়া অমসু কৈথেলদা ফংলে। মখোয়বু য়ূমদা শাজনবা লৌশিং কয়া অমসু ত্রেনিং কয়া তৌদুনা তম্বীবা থৌওং কয়া অমসু পায়খৎলে, কান্নবা লৌবীবা য়াই। ●

## লৌফমদা লৈবা ফোসফরসপু তুমহন্দুনা পাম্বীশিংদা ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপ - পি এস এম

**- ডা. ব্রাইখোম জিতেন -**

পাম্বী অমনা পীক্লিঙৈদগী হৌরগা মপূং মরৈ ফাদুনা পোখোক পুথোকপা ফাওবদা চঙলিবা তোঙান তোঙানবা মচিঞ্জাকশিং অসি ঐখোয়গী লৌফমদগী লৌরিবনি। অসিগুম্বা মচিঞ্জাকশিং অসিগী মনুংদা পাম্বীশিংদা ব্রাৎপগী লাইওং তোয়না উৎথোক্কনবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অসি নাইত্রোজেনগী হেক মথংদা ফোসফরসনা ওইরি। লৌফমদা য়াওরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অসি মখল অনী থোক্লা য়াওরি। পাম্বীনা লৌখপা ঙম্বা মওংদা লৈরবা মচিঞ্জাক অমদি লৌফমদা য়াওজরবসু পাম্বীনা লৌখৎপা ঙম্বা মওংদা লৈতবা মচিঞ্জাক/লৌফমদা লৈরিবা অপূনবা ফোসফরসকী মনুংদা শুপ্নগী ০.১% গুম্বতা পাম্বীনা লৌখৎপা ঙম্বা মওংদা লৈ। লেমহৌরিবা শরুকশিং অদুদি পাম্বীনা শীজিন্নবা ঙমদনা লৈ। পাম্বীশিংনা দরকার লৈরিবা ফোসফরস অদু ফংহন্নবা হোৎনবা মতমদা ফোসফরস য়াওবা খূৎশেমগী হারশিং শীজিন্নদবা য়ারক্তে। অসুম্না খূৎশেমগী হারশিং লেপ্তুনা লিশাংশিংৎনা শীজিন্নবনা লৈবাক লৈশা শোকহল্লকপা, লৈনুংগী ঈশিং মোৎশিনবা, লৈবাক্তা হু চেনবা পোৎলমশিং (খুদম ওইনা Arsenic, Selenium) য়াওবগী চাং ব্রাংখৎলকপনচিংবা থোকহনবা য়াই। মরম অদুনা শীজিন্নগদৌরিবা ফোসফরসশিং অসিবু এল্যুমিনিয়ম, আইরন নৎত্রগা কেলসিয়মনা ফাজিনখিদুনা পাম্বীনা ফংদনা লৌফমদা ফাজিন্দুনা থমগদবগী চাং হন্থহন্নবগী থৌওংশিং থিরক্তবা য়ারক্ত্রি।

লৌফমদা লৈরিবা হিংকুপ মখল খরদি পাম্বীনা লৌখৎপা ঙমদবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং পাম্বীশিংদা ফংহনবদা মতেং পাংই। অসুম্না লৌফমদা তুম্বা ঙমদনা পাম্বীনা শীজিন্নবা ফংদনা লৈরিবা অপূনবা ফোসফরসকী মনুংদা শরুক খরা তুমহন্দুনা পাম্বীশিংদা ফংহনবদা মতেং পাংই। অসিগুম্বা লৌফমদা লৈবা ফোসফরসপু তুমহল্লগা পাম্বীশিংদা ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং অসিবু Phosphate Solubilising Microorganism (PSM) কৌই। লৌফমদা লৈরিবা bacteria, fungi অমদি actinomycetes মখল খরনা ফোসফরসশিংবু তুমহনবা অমদি পাম্বীশিংনা লৌশিনবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোকই। অসিগুম্বা হিংকুপশিংগী মনুংদা *Pseudomonos spp; Agro bacterium spp, Bacillus circulan; Azotobacter* মখল খরসি বেক্টেরিয়াগী কাঙলূপ্তা য়াওবা হিংকুপশিংনি। কোকফাইগী কাঙলূপ্তা য়াওবা অহিংবা হিংকুপশিং Aspergillus, Glomus, Penicillium Trichoderma নচিংবা পনবা য়াই। অমরোমদা অমুক Actinomycetes শিংগী মনুংদা চাদা ২০গী চাংগী Actinomyletes কৌবা অলগি মখল অসিসু ফোসফরসপু তুমহনবা ঙমই।

হিংকুপ মখলশিং অসিগী কান্নবা :-

১) লৌফমদা তুম্বা ঙমদনা লৈরিবা ফোসফরসশিং অসিবু তুমহন্দুনা বাইওফর্টিলাইজর ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

২) খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহল্লগা হেন্না মগুন লৈবা পোৎথোক পুথোকপগা লোয়নননা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিলহন্দনা থম্বা ঙমই।

৩) হিংকুপ মখলশিং অসিনা নুংশিত্তগী নাইত্রোজেন ফাজিনবা হিংকুপশিংবু মথৌ য়াংখৎনবা, পাম্বীশিংবু থুনা চাওখৎহনবা হীদাকশিং পুথোক্তুনা অমদি জিঙ্ক, আইরননচিংবা পাম্বীনা লৌশিনবদা মতেং পাংদুনা পাম্বীশিংবু শাহৌ ফনা হৌহনবদা মতেং পাংই।

৪) হিংকুপ মখলশিং অসিনা কোকফাই হৌবদা তাখিবা খুদম ওইনা PAL, Phenolic, Flavonoid পুথোকপগা লোয়নননা hydrogen cyanide, antibiotics, lytic enzyme শিং পুথোক্তুনা লায়না থোকহনবা হিংকুপশিং হৌবদা অথিংবা পী।

হিংকুপশিং অসিনা মথৌ হেন্না পাঙথোকপা মফমশিং :-

১) ঈশিং নিংথিনা ফংবগা লোয়নননা লুম্বু লুম্বু শাবা মফমনা য়াম্না ঈংবগা লোয়নননা ঈনিল ব্রাৎপা মফমদগী হেন্না হিংকুপশিংনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমই।

২) ঈশিং অদুম তুংদুনা লৈবা লৌফমদগী নুংশিৎ নুংশা নিংথিনা চঙবা ফ্রোং ফ্রোং লাওবা লৌফম্না হেন্না হিংকুপশিংনা মথৌ তৌবা ঙমই।

৩) লৈবাক লৈহাওগী অশিন অয়াক্কী চাং pH 6-7.5 দা লৈবা মতমদা হিংকুপ অসি নিংথিনা মথৌ তৌবা ঙমই।

৪) ষম্থি ষণয়ুংগী হার অমদি শুনু চাইখ্রবা লৌফমদা হিংকুপ অসি হেন্না মথৌ তৌবা ঙমই।

কৈথেলদা ফংলিবা ফোসফরস তুমহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং অসি থাগদৌরিবা মরূশিং অদু হুনদ্রিঙৈদা মরূ কেজি অমদা অশেম্বা পোৎলম গ্রাম ২০গী চাং লৌবীরগা ঈশিং খরগী মতেংনা তোৎশিনবীরবা মতুংদা মরূশিং অদু উরুম অমদা মচুম লাংশিন্নবা ঙাইহাক থম্বীরবা মতুংদা হুনবীগনি। মরূ হুনবগী খ্বাইদগী ফবা মতম অসি নুমিদাংব্রাইরমগা নুংশা নেমথরক্লবা মতমগনি।

খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতা হু চেনবা হন্থহন্নবগীদমক পাম্বীশিংদা ফোসফরস ফংহন্নবা পি এস এম শীজিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ব্রারেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।